হরিরি হাৎপদা চেন্নদে

লিদচেন্দম, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

কুমজা ২০05 তা লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর রাফিক অল-হরিরিবু বোম পোকখায়হন্দুনা হাৎখিবগী থৌদোক্তা ইরান্না শৌগৎপা সিয়াইট মুস্লিম গ্রুপ হেজবোলাগী লিদরশিং নৎত্রগ সিরিয়ন গভর্নমেন্ট চেন্নখি হায়বগী ইভিদেন্স ফংদে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা জজ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেদর্লেন্দসকী লিদচেন্দমদা স্পেসল ট্রাইব্যুনেলগী জজ দেভিদ রেনা কেস অদুগী রুলিং পাথোক্লদুনা হায়খি মদুদি, সিরিয়া অমসুং হেজবোলানা হরিরি অমসুং মহাক্কী পোলিটিকেল মীচংশিংবু মখা তানা অয়েৎ-অপন পীরক্তনবা হাৎনিংলম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরবসু হরিরিগী মীহাৎ অদুদা হেজবোলাগী লিদরশিং চেন্নখি হায়বগী ইভিদেন্স ফংদবগা লোয়ননা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী মীওইশিংসু লেবানিজ লিদর অদুগী মীহাত্তা হকথেংননা চেন্নখি হায়বগী ইভিদেন্স লৈতে।

য়ু এ ঈগা য়ানবা পুরক্লবসু য়ু এসকী খুৎলায় য়োনবগা মরী লৈনবা ইজরেলগী পোলিসিদা অহোংবা লৈরোই

জেরুসলেম, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) :

য়ু এসনা ৱাতেমদুনা ইজরেল অমসুং য়ু এ ঈগী মরী মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপা লৈরবসু ইজরেলগী মিলিটরিগী পাঙ্গল হন্থহনগদবা মওংদা এমিরেটসতা য়ু এসনা খুৎলায় য়োনবগী মতাংদা লৈরিবা য়ানিংদবগী ফিরেপ্তুদি অহোংবা লৈরোই হায়না ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী ওফিসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এ ঈনা হৌখিবা চয়োলদা ইজরেলগা মহৌশাগী মরী থম্নবা ৱারেপ লৌখিবা মতুং ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না গল্ফকী লৈবাক অসিদা এদভান্স ওইরবা এফ-৩৫ জেট কয়ামরুম য়োনশিন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না ইজরেলগী য়েদিওঠ অহরোনোথ পাউচেদা ফোঙলকপদগী নেটনয়াহুনা ৱাফম

অসি ফোঙদোরকখিবনি।

মহাক্কী ৱাফম অসিগী মতাংদা জেরুসলেমদা লৈবা য়ু এস এম্বেসি অমসুং য়ু এ ঈ গভর্নমেন্টকী মীহুৎশিংনা খুদক্কী ওইনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিবদে। মতম কয়াগী মমাংদা য়ানখিবগী ৱাশিংটন্না ইজরেলগী মিলিটরিগী মতিক ময়াইদা শোকহনগদবা মওংদা মিদল ইষ্টতা খুৎলায়শিং য়োনবগী থবক লেপ্তুনা লাক্লি। লমদম অসিগী অরাব ষ্টেটশিংদা ইজরেলনা য়োলহন্নিংদ্রিবা য়ু এসগী খুৎলায়শিংগী মনুংদা এফ-৩৫ জেট অসিসু য়াওরিবনি।

অমরোমদা, ইজরেলনদি এয়রক্রাফট অসি লৈদুনা দিপ্লোই তৌরি। য়ু এ ঈনা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নবগী ৱারী শানবা লৈরবসু ইজরেলনা মিলিটরি বেলেন্সতা অকায়বা লাকহনগদবা মওংদা মিদল ইষ্টকী লৈবাকশিংদা খুৎলায়শিং অমদি দিফেন্স টেক্নোলোজি য়োনবগী মায়োক্তা লেপ্পগী ফিরেপতদি অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়না নেটনয়াহুগী ওফিসনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেলদা একোর্দ অদু পুরকখিবা মতুংদা য়ু এসকী খুৎলায় কয়া য়োনবা য়ু এ ঈগা য়াম্না থুনা য়ানবা পুরকপা য়াই হায়ন ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইঙ্গিৎ পীখি।

নেটনয়াহুগী সিক্যুরিটি কেবিনেটতা ওবজার্ভর অমা ওইরিবা ইন্টিলিজেন্স মিনিষ্টর এলি কোহেন্না হায়খি মদুদি, ইজরেলগী মিলিটরি পৱারদা শীংনরকপা য়াবা থৌরাংশিং থিংবগী ফিরেপ্তা অহোংবা লাকহন্নবগী ৱাফম অমত্তা দিসিজন-মেকিং ফোরমনা খন্নখিবা লৈতে।

য়ু এসগী অথিংবশিং লুনা খন্দে : কেরি লাম

হোং কোং, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) :

য়ু এসনা মহাক্কী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং মহাক্না লুনা খনবা লৈতে, তৌইগুম্বসুং হোং কোংগী পোত্থোকশিংদা য়ু এসনা ইনৌ নৌনা থল্লক্লিবা অথিংবশিংগী মতাংদদি চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অসিনা ৱর্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু টি ও)দা কমপ্লেন্ট তৌরগনি হায়না হোং কোংগী লিদর কেরি লাম্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ফাইনান্সিএল হব অসিগী পোলিটিকেল ফ্রীদম লাকশিন্নবা হোৎনৈ হায়না ৱাশিংটন্না মরাল শীরিবা লাম অমসুং হোং কোং অমদি মেনলেন্দগী হৌজিক্কী অমদি হান্নগী অতৈ ওফিসল কয়াগী মায়োক্তা য়ু এসনা থা অসিদা অথিংবা কয়া থমখি। লন্নাইগী ওইবা ৱাফম খরদা খুদোংচাদবা খরা থোকহনবা নত্তনা য়ু এসকী অসিগুম্বা অথিংবা অসিনা থোইদোক্না লুনা লৌনিংঙাই লৈতে হায়না লাম্না চয়োলগী ওইনা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, লৈবাক্কী অমসুং হোং কোংগীদমক খল্লগা লৌখৎফম থোকপা অচুম্বা খোঙথাংশিং মখা তানা লৌখৎখিগনি। হৌখিবা চহীদা এন্টি-চাইনা, প্রো-দেমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং মতম শাংনা চথুখিবা মতুংদা চাইনানা সেমি-ওটোনমস সিটি অসিদ অনৌবা নেসনল সিক্যুরিটি লো অমা নমদুনা চৎনহনখিবগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা অথিংবশিং অদু থমখিবনি।

অনৌবা সিক্যুরিটি লেজিসলেসন অদুনা তোখায়না তানবা হোৎনবা, ওথোরিটিশিং শীংনবা টেরিজম নৎত্রগা ফোরেন ফোর্সশিংগী খুৎশম্নবগী থৌওংশিংনি হায়না থাজবশিং পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবা য়াই। লো অদুনা কুমজা ১৯৯৭ তা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিবু চাইনিজ লৈঙাক্তা শীন্নখিবা মতমদা য়ানখিবা সিটি অসিগী ফ্রীদমশিং মাঙহল্লগনি হায়না ৱারিবা নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংনা চাইনাগী খোঙ্থাং অদুবর কন্দেম তৌখি।

মালিদা লান্মী লালহৌ থোক্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে : নোর্ৱিজন এম্বেসি

বমাকো, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

মালিগী কেপিটেল বমাকোগী চিদাইদা লৈবা আর্মি বেজ অমদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখিবগা লোয়ননা সিটি অসিদা লৈরিবা নোর্ৱিজন এম্বেসি অমসুং সিক্যুরিটি সোর্স অমনা ওথোরিটি শীংনবগী মওংদা মিলিটরি লালহৌ অমা চথুরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লোকেল মীওইশিং অমসুং সিক্যুরিটি সোর্সশিংনা ফোঙদোক্ল খিবদা, কুমজা ২০১২ তা লান্মীগী ম্যুটিনি অমা উখিবা বমাকোদগী কিলোমিটর ১৫ রোম লাপ্না কাতিদা লৈবা আর্মি বেজদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি। তৌইগুম্বসুং কনানা কনাদা কপ্লিবনো হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে।

মালিগী নন-গভর্নমেন্টেল ওর্গনাইজেসশিংগী সিক্যুরিটি হেদ তৌরিবা সোর্স অমনা হায়খি মদুদি, নোংমৈ কাপ্পগী মখোল প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসকী মনাক্তসু তাবা ফংখি। আমর্দ ফোর্সেসতা ওথোরিটি শীংনবগী ফিভম অমা লাক্লে অমসুং ট্রুপশিং বমাকোদা থাজিনখ্রে হায়না এম্বেসিদা খঙহল্লক্লে। নোর্ৱিজনশিংনা য়ারিবমখৈ চেকশিনগদবনি অমসুং ইরাং নেমথরক্ত্রিফাওবা য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈবনা ফগনি হায়না নোর্ৱিজন এম্বেসিনা লমদম অদুদা লৈরিবা নোর্ৱিজন সিটিজনশিংদা খঙহনখি। সিক্যুরিটি সোর্স অমনসু মিলিটরিনা খুৎলায় শীজিন্নদুনা ওথোরিটি শীংনরে হায়না ফোঙদোকখি।

পুটিন্না মার্কেলদা বেলরসকী ৱাথোক্তা খুৎ থিংজিনবা চুপ্লোই হায়খ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) :

বেলরসকী মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিংদা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনরকপশিং য়ানিংঙাই ওইদে হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না জর্মনিগী চান্সেলর এঞ্জেলা মার্কেলদা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্ত ক্রেমলিন্না ফোঙদোকখ্রে। পুটিন্না ৱাফম অসি মার্কেলদা ফোনদা ৱারী শানবদা খঙহনখিবনি হায়না ক্রেমলিনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা বেলরসকী লিদর অলেক্সজেন্দর লুকাসেনকোনা প্রোটেষ্টরশিং লাকশিনবদা থৱায় য়াওখিবা লো এনফোর্সমেন্টগী ওফিসলশিংবু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মেদল কয়া পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ ১০ নি রোম লেপ্তুনা মহাকপু মফম থাদোক্লবা তকশিল্লদুনা প্রোটেষ্টে তৌখিবা মীওইশিংবু ফবা পুনবগী থবকশিং চথুখিবগীদমক্তা মহাক্না ওফিসলশিং অদুবু মনা পীখিবনি।

লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ফেক্টরিশিংগী থবক্তা চাওনা শোকহল্লিবা প্রোটেষ্টরশিংগী ষ্ট্রাইক অদুবু লাকশিন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক ওইনা ষ্টেটনা চল্লাইবা ফেক্তরিশিং অদুগী মেনেজরশিংদা ৱর্করশিংবু মথৌ লেপহন্দনবা নৎত্রগা মখোয়দা দিসিপ্লিন তম্বীনবা খঙহনবা ওর্দর অমা গভর্নমেন্টনা ইশ্যু তৌখি।

চহী ২৬ চুপ্পা বেলরসকী লৈঙাক পায়রকখিবা লুকাসেনকোগী মায়োক্তা চথুরিবা প্রোটেষ্টশিং নেমথরকপা য়াবগী মওং উদ্রি হায়রি।

হৌখিবা ওগষ্ট ৯ দা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্টকী মীখলদা অরান-অহুই কয়া তৌদুনা মহাকপু অমুক হন্না মায় পাক্লবা শিনখি হায়না মরাল শীরদুনা প্রোটেষ্টরশিংনা লেপ্তুনা ইরাং হৌরকখিবনি। মীখল মতুংগী ইরাংদা য়ামদ্রবদা প্রোটেষ্টর অনী শিখি অমসুং মীওই লিশিং কয়া ফাজিনখি।

ওপোজিসন্না হায়রিবদি, ওপোজিসন পোলিটিসিয়ন সভিয়েটলানা সিখানোকক্যানানা মীখল অদুদা থাঙ্গৈশেংনা মায় পাকখি। অদুনা নৌনা মীখল অমুক পাঙথোক্কদবনি হায়বসিনি। গভর্নমেন্টনা ওপোজিসনবু অরান-অহুই কয়া তৌদুনা নমথনবা হোৎনখিবগীদমক্তা য়ুরোবিয়ন য়ুনিয়ন্না মিনস্কতা অনৌবা অথিংবা কয়া থম্ননবা ৱা তান্নবা হৌরকখিবগা লোয়ননা এঞ্জেলা মার্কেলনা পুটিনগা ৱারী শান্নখিবনি।

ইজরেলগা উংখৎনরিঙৈদা গজাগী অমত্তা ঙাইরবা পৱার প্লান্ট থিংজিনখ্রে

গজা, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

মৈ হৌহনগদবা বেলুন কয়া থারক্তুনা সাউদর্ন ইজরেলদা মৈহৌ-লাংপোক্কী থৌদোক থোকহনখিবগী ৱাহৌদগী ইজরেলনা গজাদা ফুইএল থাবা লেপখিবা মতুং চয়োল অমা য়ৌদনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পলেষ্টিনিয়ন এনক্লেভ অসিদা লৈরিবা অমত্তা ঙাইরবা পৱার প্লান্ট থিংজিনখ্রে।

হমাস ইস্লামিষ্টশিংনা চল্লাইরিবা গজা অসি এনর্জিগী মতাংদা ইজরেলগী মপান তাংদুনা লৈরিবনি। মফম অসিগী মীশিং মিলিয়ন ২ দা হৌজিক পুং ৬ লোমদমক মৈ পীরগা পুং ১০ রোম্না মৈ ফংহনদে হায়রি।

পৱার প্লান্ট অদু থিংজিনখ্রবা মতুংসিদা পৱার ফিদকী চাং হৌজিক্তি নোংমদা শুপ্নগী পুং ৪ দা হন্থরগনি হায়না গজাগী পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনিগী ওফিসর অমা ওইরিবা মোহমদ অবেথনা ফোঙদোকখি।

মতম শাংনা মৈ ফংহন্দবা অসিনা মরম ওইদুনা গজাদা লৈরিবা য়ুমশিং অমসুং বিজিনেসশিং জেনরেটরশিংগী মপান তাংনরক্লি। মসিনা হান্নদগী শেল-থুমদা শোত্থদুনা লৈরিবা পলেষ্টিয়িন মীয়ামদা অহেনবা ফাইনান্সিএল প্রেসর পীরে হায়রি।

গজাদা ওফিসলশিংনা হায়খি মদুদি, পৱার প্লান্ট অদু থিংখিবা অসিনা হোস্পিটালশিংগুম্বা মরু ওইবা ফেসিলিটিশিংদা চাওনা অকায়বা পীরগনি। হৌজিক এনক্লেভ অদুদা লৈরিবা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং জেনরেটরশিং শীজিন্নদুনা থবক তৌবা হৌনরে হায়রি।

অফঘানিষ্টনগী নীংতম নুমিত্তা রোকেট এটেক চথখ্রে

কাবুল, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) :

অফঘানিষ্টান্না ১০১ শুবা লৈবাক অসিগী নীংতম নুমিৎকী থৌরমশিং পাঙথোক্লরিঙৈ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেপিটেল কাবুলগী দিপ্লোমেটিক দিষ্ট্রিক্ট অমদি অতৈ মফম কয়াদা রোকেট ১০ হেন্না কাপশিল্লক্তুনা মীওই ১০ রোম অশোক-অপন নংলে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অয়ুক পুং ৯.৩৬ তাবা মতমদা পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ৮ অমসুং পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ১৭ তগী সেদান অনী শীজিন্নদুনা সিটি সেন্টরদা রোকেট ১৪ কাপশিল্লকখি। রোকেট অয়াম্বা য়ুম্লক্তা তাশিনখিবগা লোয়ননা মীওই ১০ অশোক-অপন নংখি হায়না ইন্টরিয়র স্পোক্সমেন তারেক অরিয়ন্না ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

লোকেল মিদিয়া ফুটেজনা রোকেট পোকখায়বদা গাড়ি অমদি য়ুম কৈ কয়া মাঙ তাকপগী শক্তমশিং উৎখি। রোকেটশিং অদু পুলিস দিষ্ট্রিক্টশিং ১, ২, ১০, ৯ অমসুং ১৬ দা তাশিল্লকখি হায়বসি অহানবা রিপোর্টশিংদগী খঙবা ঙমখি।রোকেট পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইদুনা মফম কয়াদা নোংথক্লোদা মৈখু মপৈ মপৈ কাবদগী মীয়াম্না মীপাইনখি। কেপিটেল পুলিসনা রোকেট এটেক অদুগী মতুংদা পুলিস দিষ্ট্রিক্ট ১৭তগী টেররিষ্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অনী ফাখি। রোকেট এটেকশিং অদুবু গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈতে।

অঘানিষ্টানদা সিক্যুরিটিগী ফিভম শোকচিল্লক্লিঙৈ চৈরক অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিনা বৃটিশতগী নীংতম্বা ফংখিবা চহী ১০১ শুরপগী থৌরম পাঙথোকখি।

লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটি অমদি মরা তপ্পা ফিভম পুরক্লবগী লানফমদা মথ্বায় কৎখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মফমদা প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা ইকাই খুম্নবা উৎখি। হৌখিবা ফেব্যুৱারিগী অথেংবদা টালিবান অমসুং য়ু এসনা পীছ এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখিবদগী ঘানি য়াওবা অফঘান লিদরশিংনা টালিবানদা হাৎপা তুপ্পগী ইরাং হন্থনবা তোয়না অপিল তৌখ্রবনি।

য়েমেনদা হৌথি রেবেল ৪০ হেন্না হাৎখ্রে

সানা, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) :

য়েমেনগী সেন্ট্রেল প্রোভিন্স অল-বায়দাদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা হৌথি রেবেল ৪০ হেন্না হাৎখ্রে হায়ন ষ্টেটনা চল্লাইবা মিদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটনা চল্লাইবা সবা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না লোকেল প্রো-গভর্নমেন্ট ট্রাইব কাঙবুনা শৌগৎপা নেসনল আর্মিনা থংনা-থংননা নিনি চনবা নুমিৎ ওইনা নিংথৌকাবদা কনিয়া এরিয়াদা হৌথিশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাঞ্জং চঙশিনখি।

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন্না কনিয়া এরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা হৌথিশিংগী সাইটশিং অমদি গাড়িশিংদা টার্গেট তৌখি। এটেকশিং অদুদা রেবেলশিং মশিং খঙদনা মীশি-মীনা থোকখি। সাউদি মিলিটরি প্লেনশিংনা এরিয়া অদুদা লৈরিবা হৌথি রেবেলশিংগী মিলিটরি গাড়িশিং বোম থাদদুনা থুগায়খি।

অদুম ওইনমক গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা মীশি-মীনা কয়াম্না থোকখিবগে হায়বগী পাউদি ফংখিদে। লানগী চৈথেং নংলবা অরাব লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা লৈবা গভর্নমেন্টনা কন্ট্রোল তৌবা মফমশিংদা টার্গেট তৌদুনা ইরানগা মীচং চুংশিন্নরিবা হৌথি মিলিস্যানা হন্দক্তা মখোয়গী মিলিটরি ওপরেসনশিং কনখৎখি। হৌথি রেবেলশিংগী মিলিটরি কেম্পেয়ন কনখৎলকখিবদগী মখোয়না মরু ওইবা মফম কয়া গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংদগী মুনবা ঙমখি।

গভর্নমেন্ট ফোর্সশিং অল-বাইদা অমদি য়েমেনগী অতৈ মফম কয়াদগী হন্দোকখি। কুমজা ২০১৪ দা হৌথিশিংনা কেপিটেল সানা য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা প্রোভিন্সশিংগী অয়াম্বা শরুক খুদম চনশিনখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাকখি। হৌথিশিংনা নমদুনা সানাদগী তান্থোকখিবা প্রসিদেন্ট অবদ-রব্বু মন্সুর হাদিগী গভর্নমেন্ট শৌগত্তুনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা অরাব মিলিটরি কোলিসন অমনা য়েমেনগী লান অদুদা কুমজা ২০১৫ দা য়াওশিনবা হৌখি।

কর্নাতাকাগী হোস্পিটালশিংদা ওক্সিজেন প্লান্টশিং থম্লগনি : মিনিষ্টর

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

ওক্সিজেন সপ্লাইদা অকায়বা লাকপনা মরম ওইদুনা তঙাইফদনা ওক্সিজেন সপোর্টকা লোয়ননা লায়েংদুনা লৈরিবা পেসেন্টশিং তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিং অহিং নোংয়াইদা হোংদোকখিবগী থৌদোক অনী থোকখ্রবা মতুংদা কর্নাতাকা গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিগী হোস্পিটাল খুদিংমক্তা ওক্সিজেন প্লান্টশিং লীংনবগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিগী হোস্পিটাল খুদিংমক্তা ওক্সিজেন প্লান্টশিং লৈহন্নবগী থৌরাংশিং লৌখৎলে। হীরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়না লিক্বিদ ওক্সিজেন সপ্লাই তৌবা প্রাইভেট ফার্মশিংগা ৱারী শান্নরি। মখোয়গা ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সিক্রেটরিগা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা তান্নরি হায়না মেদিকেল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর কে সুদাকরনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবগী অহিং অথেংবদা লিক্বিদ ওক্সিজেন সপ্লাই লেপখিবদগী ওক্সিজেন থাজিল্লগা লৈবা কোভিদ পেসেন্টশিং অতোপ্পা হোস্পিটালশিংদা হোংহনখিবা কেম্পে গৌদা ইন্সটিট্যুট মেদিকেল সাইন্সেস (কিমস)কী ফিভম মিনিষ্টর অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়েংশিনখি। মরু ওইনা মহাক্না হোস্পিটাল অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং কোরোনাভাইরস লায়েংবগী ফেসিলিটিশিং য়েংশিনখি।

পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা কোভিদ-১৯গী ফিভম খন্নরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) :

লৈবাক অসিদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম অমসুং লাইচৎ অসিগী মেনেজমেন্টকী মতাংদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পার্লিমেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন হোম এফেয়রসনা খন্নরগনি। কম্মিটিনা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিং অমসুং এইমসকী দিরেক্টর ডা. রন্দিপ গুলেরিয়াগা মীফম পাঙথোক্তুনা ইশ্যু অসি খন্নগনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা রাজ্য সভাগী ৱেবসাইটনা হায়, কোভিদ-১৯গী পান্দেমিক্কী মেনেজমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা ইশ্যুশিংগী মতাংদা খন্ননবা কম্মিটিনা ওগষ্ট ১১ দা মীফম পাঙথোক্লগনি। কোংগ্রেসকী লিদর অনন্দ শর্ম্মনা লুচিংবা কম্মিটি অসিনা পান্দেমিক অসিগী মেনেজমেন্টকা মরী লৈননা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিং খন্নরবা য়াই হায়না সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুলাইদা পাঙথোকখিবা মমাংগী মীফমদা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা ওফিসলশিংদা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা হীদাক-লাংথকশিংগী মমল ৱাংবগী মতাংদা হংখি। মখোয়না মীফম অদুদা হীদাক লাংথকশিং ব্লেক মার্কেটিং তৌবগী ৱাফমসু পুখৎখি।

পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্না সোসল সিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং ঙাক্লগা নোংজুগী মীফম পাঙথোক্লবা শেম শারকপগা লোয়ননা মীফম অসি মরু ওই হায়না লৌনৈ।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ৫৫,০০০ হেন্না দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী কোরোনাভাইরস টেলি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাখ ২৭ হেনখি। মতম অসিগী মনুংদা ইনৌ নৌনা মীওই ৮৭৬ শিখিবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শিহনবা মী মশিং ৫১,৭৯৭ য়ৌখি। অপুনবা কেস ২৭,০২,৭৪২ গী মনুংদা পেসেন্ট ১৯,৭৭,৭৭৯ লায়েংবদা ফদুনা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা পেসেন্ট ৫৭,৯৩৭ অনাবা ফখি। লৈবাক অসিগী রিকোভরি রেট হৌজিক চাদা ৭৩.১৭ রোম ওইরে হায়রি।

পুলিস পর্সনেল ১সু কোভিদ নাবদগী লৈখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

কোভিদ-১৯না নাদুনা লায়েংলকখিবা সাউথ জোনগী পুলিস কন্ট্রোল রুম (পি সী আর) দিল্লি পুলিসকী ইন্সপেক্তর অমা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাকপোকপগী অয়ুক্তা লৈখিদ্রে।

দিল্লি পুলিস পর্সনেলশিংগী মরক্তা লায়না অসিনা শিহনবা মহাক্না ১৬ শুবনি। কুমজা ১৯৯৭ গী বেচকী ইন্সপেক্তর সঞ্জয় শর্ম্ম মশাগী লায়না ন্যুমোনিয়াগী ফিভম লুশিল্লকপদগী হৌখিবা ওগষ্ট ১৫ দা বসন্তকুন্সতা লৈবা ইন্দিয়ন স্পাইনেল ইঞ্জুরিস সেন্টরদা এদমিট তৌখি। তৌইগুম্বসুং মহাক মতুং তারকপদা পাঙথোকপা টেষ্টতা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরমখি।

সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখিবদা, লৈখিদ্রবা সঞ্জয় য়াম্না ফবা ওফিসর অমনি। মহাক দিল্লি পুলিসকী মরু ওইবা মফমশিংদা থবক তৌরম্মী। রাজস্থানগী কোতাদগী হৌরকখিবনি।

মহাক শুপ্পগী নুমিৎ ৩ খক কোভিদ-১৯ গা লান্থেংনরম্লগা লৈখিদবনি। মহাক মথৌদা থৱায় য়াওবা য়াম্না ফবা পুলিস ওফিসর অম ওইনা ঐহাক্না নীংশিল্লি হায়না মহাক্কী বেচমেট আর কে পুরম রাজেস শর্ম্ম (এস এচ ও)না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা জুলাইদা মশাগী ৪০ শুরবা দিল্লি পুলিসকী কন্সটেবল অমসু সিটি অসিগী হোস্পিটাল অমদা লিভরগা মরী লৈনবা কমপ্লিকেসনশিং লায়েংলম্বদগী শিখি। মহাক নুমিৎ ১২ গী মমাংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখিবনি।

এয়র ক্রাস রেস্ক্যু ওপরেসনগী মীওই ১০ পোজিটিভ ওইরে

কোজিকোদ, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) :

করিপুর এয়রপোর্টতা পেসেঞ্জর প্লেন অমা কায়খ্রবা তুংদা চথুরিবা রেস্ক্যু ওপরেসনশিংদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই ১০ কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরম্লে হায়না ওফিসলশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পেসেঞ্জর ১৯১ পুদুনা দুবাইদগী কলিকট তম্না পাইরকখিবা এয়র ইন্দিয়াগী এক্সপ্রেস ফ্লাইট অদু হৌখিবা ওগষ্ট ৭ তা করিপুর এয়রপোর্টতা শীত্তুনা রনৱেদগী হেন্দোক্তুনা কায়খি। হেল্থ ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না রেস্ক্যু ৱর্করশিংগী মনুংদা মীওই ৬ নেতিরেপুদগীনি অমসুং ৪ না কোন্দোতিদগীনি।

হেল্থ ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী রেস্ক্যু অমসুং রিলিফ ওপরেসন অদুদা হকথেংননা শরুক য়ারিবা মীওইশিং সেলফ আইসোলেসন তৌনবা য়াম্না থুনা এদভাইজরি অমা থোক্তুনা খঙহনখি। পুন্না মীওই ১৫০ সেলফ আইসোলেসন তৌনবা পাউতাক পীখি হায়রি।

মালাপুরমগী কলেক্তর কে গোপালকৃষ্ণন অমসুং মহাক্কী ষ্টাফকী মীওই ২১ হৌখিবা চয়োলদা কোভিদ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখি। মখোয়দা নত্তনা পুলিস এ এস পি অমসু পোজিটিভ ওইখি। মসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা ওগষ্ট ৮ দ এক্সিদেন্ট মফম অদু চত্তুনা য়েংশিনখিবা চীফ মিনিষ্টর পিনারায়ি বিজয়ন অমসুং মহাক্কী কেবিনেট কোলিগ ৭ নাইতোম ওইনা লৈহনখি। অদুমওইনমক মখোয় লোয়নমক টেষ্টতা কোভিদ নেগেটিভ ওইরমখি।

চৈরকসিদা এয়র ক্রাস অদুদা শিখিবা মী মশিং নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিংদা ১৯ য়ৌখ্রে। ক্রাস অদুদা হকচাংগী শরূ খরা তেকপা কায়বা তৌবদগী লায়েংলকখিবা মশাগী চহী ৬৮ শুরবা মীওই অমা হার্দ এটেক তৌদুনা লৈখিদবনি। ক্রাস অদুদা হিংহৌবা অতৈ মীওই ৫৯ হৌজিকসু লায়েংদুনা লৈরি।

রাইওটকী একুজ জুদিসল কষ্টদিদা থাজিনখ্রে

বেঙ্গলুরু, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সি):

হৌখিবা চয়োলদা বেঙ্গলুরুদা মীয়ামগী ইরাং অমা থোকখ্রবা মতুংদা সোসল মিদিয়াদা ইরাং থোক্লিংঙাই ওইবা মচাকশিং থাগৎখি হায়না মরাল শীরিবা পি নভিন লোকেল কোর্ট অমনা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অসিগী নোংপোক থংবা মফম খরদা হৌখিবা ওগষ্ট ১১ দা মীয়ামগী ইরাং থোকহনখিবা মহাক্কী ফজদবা সোসল মিদিয়া পোষ্ট অদুগা মরী লৈননা নভিনবু পুলিস কষ্টদিদা ইন্টেরোগেসন তৌবা লোইবদগী কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথনবগীদমক্তা মহাকপু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি হায়না বেঙ্গলুরু ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিসনর ওফ পুলিস (দি সী পি) এস দি সরানপান্না এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মহাক সিটি অসিগী খা থংবা চিদাইদা লৈবা সেন্ট্রেল জেলদা থমখ্রে। মহাক পুলাকেসিনগর এসেমব্লিদগী কাবা কোংগ্রেস লেজিসলেটর অখন্দা শ্রিনিভাসা মুর্থিগী নক্লবা মরী-মতা অমনি। মহাক্কী সোসল মিদিয়া পোষ্টনা থোকহনবা ইরাং অদুদা এম এল এ অসিগী য়ুম মীয়াম্না মৈ থাখি।

আর্মিনা ৱিটনেসশিংগী ষ্টেটমেন্ট লৌবা হৌরে

শ্রিনগর, ওগষ্ট ১৮, (এজেন্সি) : সাউথ কশ্মিরগী সোপিয়নদা হৌখিবা জুলাই ১৮ দা থোকখিবা ইনকাউন্টর অমদা মিলিটেন্টশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ৩ শিখিবগা মরী লৈননা আর্মিনা থৌদোক অদুগী ৱিটনেসশিংগী ৱারোলশিং লৌবা হৌরে।

খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই অহুম অদু জন্মুগী রাজৌরিদগী লেবররশিংনি হায়না মখোয়গী ইমুংশিংনা ক্লেম তৌরকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অহুম অসিগী ইমুংশিংনা মখোয়গী ফোটোশিংসু থাদোরকখি।

আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, ওপরেসন অমসিপোরা সোপিয়নগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী কোর্ট ওফ ইনক্বাইরি অমা চথুরি। মরু ওইবা ৱিটনেসশিংগী ৱারোলশিং রেকোর্দ তৌরি অমসুং ইনক্বারিগী প্রোগ্রেস কুপ্পা মোনিটর তৌরি। অহেনবা সিভিল ৱিটনেসশিং থোক্লক্তুনা কোর্ট ওফ ইনক্বাইরিগী মমাংদা মখোয়গী ৱারোল পীরনবসু খঙহনবা লৈখ্রে। জে কে পিগী মীৎয়েং মখাদা রাজৌরিদগী দি এন এ সেম্পলশিং খোমদুনা জুলাই ১৮ দা হাৎখিবা টেররিষ্টশিং অদুগা চান্নব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা থাখ্রে হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।